# শায়োন কয়াগী মনুংদা "শায়োন অহুম"

একেন সিজগুরুময়ুম



রেনবো ফিল্ম প্রদক্সনগী তরুকশুবা প্রদক্সন্নি "শায়োন অহুম" মেন করেক্টর ওইরিবী রেবিকা (অবেনাও)গী রোলবু দাইমেন্সন অহুমদা রিফ্লেক্ট তৌরিবা ফিল্মসিনা উপাই লৈত্রবী নুপীমচা অমগী পুন্সিনা তংদু লৈতানা হিংবা ঙমদবগী অৱাবশিং অদু উৎপনি।

ফিল্মসিগী শন্নপ্পা ৱারীদি, মরাল লৈতনা মরাল পীদুনা জেলদা লৈখ্রবা রেবিকাগী মপা চিংলেম্বা (এস পি ইঙোচা)গী ৱাখলদা মবোক শাখি (ললিতাবী) লায়না ওইদুনা শিখি। মবোক্না লৈখিদ্রবদা মবোক্কা য়াম্না তোৎন্ন-তিন্ননা লোয়নরম্বী লল্লোনবী তোম্বী (মেম্মা) না মাগী ময়ুমদা রেবিকাবু মীনুংশি লৈবী শাদুনা মাগী খুদোংচাবা খরা ফংনবগীদমক থল্লকখি।

রেবিকানা য়ুমদুদা হেক লৈরকপগা লল্লোনবী তোম্বীনা পৈশাগা মন্তিক্নদুনা মশানা য়ানিংদনা চিংলেন (সুনিল মাই বোই) দা পীনবা হোৎনরকখি। থৌরাং অসি খংলকপদগী রেবিকানা তোম্বীগী য়ুম থাদোক্তুনা চেন্থোরকখি। লম্বীদা চিংলেনগী খুৎপুনা থেংনদুনা মহাকপু ফানবা হোৎনরকপদা শকহেন (মহেস) থেংনদুনা রেবিকাবু মহাক্কী য়ুমদা চংজফম পীখি। মতম খরা লৈমিন্নরকপদগী মখোয় অনী মরী লৈনরকখি। নোংমা শকহেন্না মপান্দা চৎখ্রিঙৈ চৈরক্তা লল্লোনবী তোম্বীনা য়ুমদুদা ফিয়োনবী শাদুনা মহাক্কী মরী মখোয় থিরক্তুনা রেবিকাগা থেংনখি, রেবিকাবু নোংমত্তা ওইরবসু লাক্তুনা মাগী শেৎন-চানবা ফিরোলশিং লৌরুলাও হায়দুনা খংহল্লমখি। শকহেনগী মমানসু কন্না হায়বদগী য়াদুনা রেবিকানা লৈকায়গী মনে তোম্বীগী য়ুমদা লাকখি। অদুবু জেলদগী নাম্থোক্তুনা চীংগী খুল অমগী য়ুমদা মীরোৎ ওইদুনা লৈখ্রবা চিংলেম্বানা মচানুপীগী তাংদাংবা লৈফম থিরকপদা মমান্নবী মেমি (বিজেমালা) গা থেংনখি। তোম্বীগী অরোনবা থৌরাংশিং অদুগী ৱারী পুম্বা মেমিনা রেবিকাগী মপাদগী খংবগা লোয়ননা রেবিকাবু লল্লোনবী তোম্বীগী য়ুমদা চংহনখিদে। তুংদা মপা মচা থেংনদুনা চীংগী খুল অদুদা পুন্না লাকমিন্নখি। মদুদসু লল্লোনবী তোম্বীনা মহাক্কী লৈফম খংখিদুনা চিংলেনগী অপাম্বা ফংনবা মখা তানা হোৎনরকই। নোংমা অচেংবা তাঞ্জা ঙাইদুনা লৈরকখিবা চিংলেননা রেবিকাবু ফারগা পুরকপদা মুসলিম অহুম অব্দুলনা রেবিকাবু অমুক মখোয়গী মখুত্তগী কন্দুনা মাগী ময়ুমদা মচা শক্কা থল্লকখি। মতম অদুফাওবা শকহেননা রেবিকাগী অরেপ্পা লৈফম থিবা ফংখিদে। মচানুপীবু মীফত্তশিংদা তাহন্নবা হোৎনখিবা লল্লোনবী তোম্বীবু চিংলেন্না লোন্না লাক্লগা হাৎখি। রেবিকানা শকহেনগা অমুক উন্নররোই হায়না খনবদগী মাগীদমক পুকচেল শেংনা পাম্বোম তিংলকখিবা সপ্পোর্টিং হেরো রোহিট (সুর্জিৎ) কা মরী মরী লৈনরকখি। মুসলিম অহল অব্দুল (অথোই)না ৱারীশিং অসি রেবিকা মপা চিংলেম্বদা তমদুনা মচাগী লুহোংবা অদু য়াওরনবা খংহল্লমখি। নাকল অমরোমদনা মতম কুইনা কায়নরুরবা রেবিকাবু শকহেন্না রোহিট কুমদা লাকপদা থেংনখি। চিংলেন অমসুং মহাক্কী খুৎপুসু

শকহেনগা খুৎথোক্লবদগী শকহেনগী মখুত্তা লৈখিদে। রোহিট না রেবিকা অমসুং শক্ক অনীগী মরক্তা মতম কু ইনদগী লৈরক্লবা মরী অদু থদৎপা পামদবদগী রেবিকাবু থম্মোয় শেংনা শকহেনগা থুংনহন্দুনা ফিল্ম অসি লোয়শিল্লি। ফিল্ম অসিগী প্রদ্যুসর গুনমণি লৈমগী স্ক্রুপ্ট অসি খরদি কমপ্লেক্স ওই। রেবিকানা ময়ুম থাদোক্তুনা লল্লোনবী তোম্বীগী য়ুমদা লাকপগী সিক্কেন্স অসিনা ৱারীগী প্লোটতা সব প্লোটকী এরিয়া ওইনা লাকই। তৌবগীদি স্ক্রুন প্লেগী ট্রিটমেন্টতা মমুৎ তানা তৌদবগী অশোয়বদু ফিল্মসিদা মমি তারকপনি। স্টোরি লাইন অসিমক্তি অইবনা ইন্টিগ্রিটি অমসুং য়ুনিটিগী মশক অমা থম্নবা হোৎনবনি। কে ঐচ জেক্সননা ডিরেক্সন পীবা ফিল্ম অসি পোপুলার ফিল্মগী মচৎতা এটেম্প তৌবনি। রোমান্স অমসুং ভাইওলেন্সকী জোক অমদি ফ্লেবরনা মপুং ওইরিবা ফিল্মসিগী পার্ফোমরশিংসু পোপুলার অমদি ফ্রেস আর্টিষ্টশিংগা ইরোয়ননা চৎমিন্নরি।



কাংলুপকি মরক্তা নুংশি চান্নবা মরী পুরকপদা অমদি মতু শোন্না হিংলিবী নুপীমচা অমগী পুন্সিবু মশাগী ওইজবা খরগীদমক লল্লোনপোৎ কুম খল্লিবা মীওইশিংদগী করম্না লাপথোক্লবা উপায় লৈরিবগে হায়না উৎলিবা ফিল্ম অসি ময়াই ওইরপ্না য়েংবা য়ারবা ফিল্ম অমনি। ফিল্ম অসিদা সিনেমাটোগ্রাফর ওইখিবা খোগেন অমদি মোমোনা অয়াম্বা সোট খুদিংমক মিদ সোট ওইনা শিজিন্নৈ। মসি নত্তবা থোইদোকপা কয়া শিজিন্নবা থেংনদে।

ফিল্ম অসিগী কাষ্টশিংদি, অবেনাও, মহেস, এস পি ইঙোচা, প্রেমিলা, ললিতাবী, মণিহার, বেবী, মেম্মা, সুনিল (মাইবোই), সুজিট, বিজেমালা, হেসালি অথোই অমদি মোধুচন্দ্রনি। ফিল্ম অসিগী এডিটর অমসুং লিরিক্সনা সঞ্জিৎ এক্স এল অমসুং নাজিমানি। সিনেমাটোগ্রাফি না দব্লিউ খোগেন অমসুং মোমোনি। পুস্পরাণি, আই কিসন অমদি শক্তিসেননা শৈশক্লিবা ফিল্ম অসিগী ম্যুজিক ডিরেক্টরনা অৱোইবা (অৱোই) অমসুং ভিকিনি। ফিল্মসি হৌজিক হৌজিক ইম্ফালগী উষা সিনেমা হোলদা উৎলি।















Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*